মিসন ব্লাইন্দ স্কুলদা তেঙবাংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১০(ঐচ এন এস): মালেমগী মীৎ উদ্রবশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা লনলৈমা মরুপ, ককচিংনা মিসন ব্লাইন্দ স্কুল, হৈক্রুকপোকপীদা তেঙাং পোৎলম পীখ্রে।

চেঙ, হৱাই, অচা-অথক্কী মতেং পীবা অদুগা মরী লৈননা লনলৈমা মরুপ, ককচিংগী সেক্রেটরিনা ফোঙদোরকপদা মরাইবক থিরবা, মীমান্নদ্রবশিং, অহল-লমনশিং, লাইরিক-লাইশু ফবা মহৈরোয়শিং, আর্ট এন্দ কলচর অমদি শান্ন-খোৎনবদা মীথোই মীহৈল্লকপশিংদা পুক্নিং থৌগৎপা অমদা তেংবাং পীবা ঙম্নবগীদমক লনলৈমা মরুপ, ককচিং অসি মালেমদা শাফোঙলকপনি। মরুপ অসিগী পান্দম মতুং ইন্না ঙসি মিসন ব্লাইন্দ স্কুল, হৈক্রুকপোকপীদা তেংবাং পোৎলম অসি হন্দক্কা অনীরকশুবা ওইনা পীবনি ফোঙদোরকখি।

মণিপুরনা নেসনল এৱার্দ অহুম ফঙলে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১০: সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর নেমচা কিপজেননা ঙসি সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টপু কেটিগরি অনীদা পোশান অভিয়নগী নেসনল এৱার্দ লৌরকখিবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

অসিগুম্বা এচিভমেন্ট ফংবা ঙম্লিবসি দিপার্টমেন্ট অসিগী ওফিসলশিং, ষ্টাফশিং অমসুং এদল্লিয়ু দল্লিয়ুনা টিম ৱার্কগী ৱাখল চেন্না কৎথোকপগা লোয়ননা কন্না হোৎনবদগীনি হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা ফোঙদোকখিবদা অসিগুম্বা এৱার্দশিং অমসুং রেকগনিসন অসিনা ষ্টেকহোল্ডর খুদিংমকপু মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক মখা তানা হোৎননিংবগী ৱাখল চেলহনগনি। মসি সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্ট, মণিপুরনা চহী অসিদা ফংবা অনীশুবা নেসনল এৱার্দনি। ষ্টেট অসিগী পুন্না এৱার্দ ৬ না তোঙান তোঙানবা কেটিগরিশিংদুদা এৱার্দ ফংখিবনি। এৱার্দশিং অসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লিচিং মখাদা ষ্টেট লৈঙাক্লা শিংথানিঙাই ওইবা কন্ট্রিব্যুসন পীবগী প্রুফ অমনি।

লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহন্নবা পূন্না হোৎনমিন্নবা চঙই, লৌউ পথাপশিংসু শীজিন্নসি : লেটখোগিন

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১১ (ঐচএন এস): লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহন্নবা পূন্না হোৎনমিন্নবা চঙই হায়না এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (এগ্রিকলচর) লেটখোগিন হাওকিপনা ঙসি দি আই সী পোরোম্পাৎকী ট্রেনিং হোলদা পাঙথোকখিবা লৌমীশিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ এগ্রিকলচরেল মার্কেটিং জয়পুরগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর স্মোল ফার্মরস এগ্রি-বিজিনেস কন্সোর্টিয়ম অমদি গ্রীন গ্রোৱরস মণিপুরনা শিন্দুনা এগ্রিকলচর মার্কেট হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা লেটখোগিন হাওকিপনা হায়খি, লৌমীশিংগী ইনকম দবল হেনগৎহন্নবগী মতাংদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং থম্লক্লি। লৌমীশিং অমদি লৌ মপূশিংগী মরক্তা নীংথিনা ৱাখল তামিন্নবসু চঙই। লৌ উরিবা লৌমী কয়াগী মরক্তা মশাগী লৌ নৎতবা অতোপ্পগী লৌফমদা লৌ উবা য়াওরি। লৌমী অমনা ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং পায়খৎনিংবা তারবসু মশাগী লৌ নৎত্রবদি খুদোংচাদবা কয়া নংই। পুম্রি অমা তৌনিংলবসু মশাগী লৌ নৎত্রবদি হেক্তা তৌবা য়াদে। মশাগী ওইনা লৌ উজবা লৌমীশিংগী ওইনদি থবক অদুমক মশানা পায়খৎচবা ঙম্মী। মশাগী লৌ নৎতবা উরিবা লৌমীশিংগা লৌ মপূশিংগসু নীংথিনা ৱাখল তামিন্নবগা লোয়ননা হেন্না শেন্থোক লৈনবগী মতাংদা মীৎয়েং চঙমিন্নবা চঙই। লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহন্নবগীদমক অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নসি। পোথোক মরাং কাইনা পুথোক্লবা থৌরাং কয়াসু পায়খৎপা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুর স্মোল ফার্মরস এগ্রি-বিজিনেস কন্সোর্টিয়মগী প্রোজেক্ট কো-ওর্দিনেটর এম এস খাইদেমনা হায়খি, লৌউ-শিংউগা মরী লৈনবা হীরমদা খুমাং চাউশিনহন্নবা অখন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎপা চঙই। অফবা মরূশিং পুথোক্তুনা চাথোক লৈহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। অফবা মরূনা পুথোকপা পোথোকশিংদি লৈবীনবা য়াম্না লৈগনি। মার্কেটিংগী অৱাবা লৈরোই। পোৎয়ান তৌদবা অশেংবা অমদি অফবা মরূশিংনা পুথোকপা পোথোকশিং অসি দিমান্দ য়াম্না লৈ। অসিগুম্বা পোথোক অসিদি লৈবীনবা মীগী মশীং য়াম্নবা মার্কেটিংগীদমক ৱানিংঙাই লৈরোই।

পোথোকশিংগী ভেল্যু এদিসন হায়বসিসু য়াম্না মরু ওই। লমদমসিদা মখল কয়াগী পোথোকশিং পুথোক্লি। পোথোক হেন্না পুথোক্তুনা শেনম্রীৎলোন ফবা লমদম ওইহন্নবা হোৎনসি। থবক থৌরাংশিং পায়খৎলকপা মতমদা এদভর্টিজমেন্ট হায়বসিসু য়াম্না মরু ওই। লমদমসিদা পুথোকচরিবা পোৎলমশিং অসি নীংথিনা খঙহনবগা লোয়ননা ফংলিবা পোৎলমশিং অসিগী মতিক-ময়াই অদুসু খঙহনবা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা আই সী এ আর, এন ঈ ঐচ আর মণিপুর সেন্টর, লম্ফেলগী জোইন্ট দিরেক্টর ডো. আই মেঘচন্দ্রসু দেজদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

স্পেসল গ্রাম সভা পাঙথোক্তুনা হীরম কয়াদা খন্নখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১১ (ঐচ এন এস): ঐখোয়গী খুঙ্গং ঐখোয়না শেমজরসি হায়বা হীরমদা লাইরেঞ্জম মৈক্রাও গ্রাম পঞ্চায়ট ৱাঙ্গোই সী দি ব্লোকনা শিন্দুনা গ্রাম পঞ্চায়ট অসিগী অনীরকশুবা গ্রাম সভা ঙসি পান্থোইবী বজার কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

গ্রাম পঞ্চায়ট দিভলপমেন্ট প্লানগী মতাংদা কুপ্না খন্নবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৮-১৯ অমসুং ২০১৯-২০ দা গ্রাম পঞ্চায়ট অসিগী মনুংদা পায়খৎকদবা থবক থৌরম কয়া খন্ন-নৈনখি। ৱারেপ কয়াসু লৌখি।

গ্রাম পঞ্চায়ট অসিগী প্রধান মংলেম্বনা ফোঙদোকখিবদা, পঞ্চায়ট অসিদা সভা কয়া ফম্মীন্নখ্রে। মদুদা মপুং ফানা শরুক য়াখি। মতুংদসু গ্রাম সভা মীটিং মপূং ফাহনবীয়ু। কুমজা ২০১৮-১৯ অমদি ২০১৯-২০ দা থাদরক্কদৌরিবা শেনফমশিং মীয়াম তানরগা মরম চানা শীজিন্নদুনা চাউখৎপা জি পি ওইনবা হোৎনসি। জোব কার্দকী শেনফম অসিসু লেম্না থাদরকপগুম খনবা অসি থাদোকসি। লু-নান্না লৈনবা হোৎনসি। লৌউ-শিংউগী ঈথৈ-লৌখোং মতিক চানা শেম্না চঙই। চাউখৎ থৌরাংগী শেনফমসু মরম চানা শীজিন্নরগা চাউখৎপা জি পি ওইনবা হোৎনসি। লৈঙাক্কী ওফিসরশিংনা জি পি মীটিংদা য়াওরুরগা লোইরে হায়বগী মওংদা ৱা ঙাংদবা তৌবীগনু। ঙসিসু দিপার্টমেন্ট ১৬কী মীহুৎশিং লাক্কনি হায়রগা লাক্তে। দিপার্টমেন্ট অহুমখক্কী মীহুৎশিং লাকই। প্রধানশিংবু চেঙগী এজেন্টনা হেন্না মরুওইনা লৌবগী ৱাখল্লোন থাদোকপীয়ু। এম এল এগীদি অকক্লবা বজেট লৈ। পঞ্চায়টশিংগীদি লৈতে হায়নসু ফোঙদোকখি। মীফম অদুদা কোদোমপোকপী জিল্লা পরিষদকী এক্স-মেম্বর এল সুরচন্দ্র, লাইরেঞ্জম মৈক্রাও জি পিগী প্রধান টি মংলেম্বা, ৱাঙ্গোই সী দি ব্লোক্কী বি দি ও ইন্দিরানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থাবা য়াবা মরূ-মরাং পীদুনা লৌমীশিংগী পূন্সি কল্লু

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১১ : এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা শক খঙবীদুনা লৈরিবা মাক্লুং, ঙাইরাংবম, কাচি খুল, কারোং, সঙাইথেল অমসুং লোংঙা কোইরেংগী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈরিবা লৌকোল অসি মতম অমদা এম-২৭ হঙ্গাম মরূ পুথোকপদা ষ্টেট অসিগী ওইনা অহানবা মনা লৌখ্রবা লৌকোলনি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা লৌমীশিংনা মীপাইনরিবা অসি কোক্লবা অখন্নবা থৌরাংশিং লৌকোলশিং অসিগী য়েংদুনা লৌখৎপীয়ু হায়না প্রোগ্রেসিব দিভলপমেন্ট এসোসিএসননা ফোঙদোরক্লি।

পি দি এ মাক্লুং মখা লৈকায়গী সেক্রেটরি কে ঐচ রামনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, খুঙ্গংশিং অসিগী লৌকোলশিং অসিদা লৌ উরিবা ইচিল-ইনাওশিং হন্দক কুমগী ওইনা ওগষ্ট অমসুং সেপ্টেম্বর থাদা চুগদবা নোংগী চাং য়ৌনা চুদবনা অমদি হারসু মতম চানা ষ্টেট গর্ভর্নমেন্টনা পীদবনা লৌকোলশিং অসি লৈক্রক চৎতুনা লৌকোলশিং অসিগী লৌশিং কংশিল্লক্তুনা লৌ শাৎপা ঙমদবদগী ফৌথোক হন্থগদবা অসিনা মরম ওইরগা লৌমীশিং মীপাইনরে। লৌকোল অসিদা লৌ লোল্লরোইদবা অমসুং ফৌথোক হন্থনা থোক্লদবা অমদি লৌকোল অসিগী লৌপূশিংনা চহী অসিগী ওইনা লৌশাল খরা হন্থবীনবা অমসুং লৌ লোক্তবা লৌফমশিংদা লৌশাল লৌবীদনবা লোয়ননা গভর্ণমেন্টনা টেক্স কোকথোকপীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি। হৌজিক এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা পীগদৌরিবা ঈশিং চিংনবা পম্প অসিগী মহুৎতা লৌকোলশিং অসিদা হকথেংননা য়েংশিনবীদুনা মফম অদুদা রবি ক্রোপকী থাবা য়াবা মরূ-মরাংশিং মতম চানা পীবীদুনা লৌমীশিংগী পূন্সি কনবীয়ু হায়রি।

দিজাষ্টর রিদক্সন দে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১০:হেদ কার্টরস আই জি এ আর (সাউথ)গী মীৎয়েং মখাদা ৯ শুবা সেক্তর অসাম রাইফলসকী তুলিহল বট্টালিয়ন্না শিন্দুনা ইন্টরনেসনল দে ফোর দিজাষ্টর রিদক্সন ওবজার্ভ তৌখ্রে। ময়াং ইম্ফাল কম্পেনি ওপরেটিং বেজনা দিজাষ্টর লাকপা মতমদা মীশি-মীনা হন্থনবগী এৱ্যেরনেস দ্রাইভ অমা পাঙথোকখি হায়না আই নি এ আর (সাউথ)কী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কলচরগী লমদা এম ও য়ু সাইন তৌনখ্রে

গুৱাহাতি, ওক্তোবর ১১ (এজেন্সি): অৰাং-নোংপোক্কী ষ্টেট নিপানগী শেল-থুমগী গ্রোথ অমসুং নোলেজগী অপাম্বা শৌগৎনবা অমদি এদ্যুকেস্নেল অমসুং কলচরেল কোওপরেসন হেন্না চেৎশিনহন্নবা ঙসি বৃটিশ কাওন্সিল ইন্দিয়াগী দিরেক্টর ও বি ঈ অলান গেম্মেল অমসুং দিরেক্টর ঐচ আর দি এন্দ ঈ) নোর্থ ইষ্টর্ন কাওন্সিল (এন ঈ সী)না ঙসি মেমোরেন্দম ওফ অন্দর্ষ্টেন্দিং অমা সাইন তৌনখ্রে।

বৃটিশ কাওন্সিলনা ইন্দিয়াদা লৈখিবা ৭০ শুবা কুমওনগী সেলিব্রেসনগী শরুক অমা ওইনা মরু ওইনা অৰাং-নোংপোক লমদমদা য়ু কেগা লৈনরিবা শাংলবা কলচরগী মরীগী সেলেব্রেসন অমা ওইনা এম ও য়ু অদু সাইন তৌনখিবনি। মরী অসি মথং চহী ৭০ দা হেন্না চেৎশিনহনবগী পান্দমসু থম্লি। এম ও য়ু অসিনা অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, মণিপুর, মেঘালয়া, মিজোরাম, নাগালেন্দ, সিক্কিম অমসুং ত্রিপুরাগী নহারোলশিংগী কলচরগা মরী লৈনবা অনীংবা-অপাম্বশিং, স্কিলস, ইংলিস লোল অমদি অৰাংবা থাক্কী মহৈ তম্বগী লমশিংদা এম ও য়ু অসিনা মরম ওইরগা অৰাং-নোংপোক ষ্টেট পুম্নমক্কী কলচরেল কম্যুনিটি অমসুং আর্টিষ্টশিংনা য়ু কেগী কলচর, ক্রিয়েটিভিটি অমসুং আইদিয়জ পীনবগী খুদোংচাবা ফঙলগনি। লৈঙাক্কী স্কুল ওজাশিং অমসুং হায়র এদ্যুকেসন ইন্সটিট্যুসনশিংগী ফেকল্টি মেম্বরশিং ইংলিস লোন তম্বা অমসুং ক্বালিটি লৈনা মহৈ-মশিন তম্বা অমসুং মালেমগী বেঞ্চমার্ক এসেসমেন্টশিংগী খুদোংচাবা ফঙলগনি হায়রি।

চুড়চান্দপুরদা খাসি মান্দরিনগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ১১ : আই সী এ আর - কে ভি কে চুড়চান্দপুরনা আই সী এ আর - সেন্ট্রেল রিছার্চ ইন্সটিট্যুট, অমরাভাতি রোদ, নাগপুরগা খুৎনন্নদুনা "ইমুপ্রুভ প্রদক্সন এন্দ রিজুভিনেসন টেক্নোলোজি এন্দ প্রদক্তিভিটি খাসি মান্দরিন"গী নোংমগী ওইবা ট্রেনিং কম ইনপুট দিষ্ট্রিব্যুসন পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অদু জোইন্ট রিরেক্টর (ইনচার্জ) আই সী এ আর মণিপুর সেন্টর, লম্ফেলপাৎ ডা. আই মেঘাচন্দ্রগী লিচিং মখাদা শিন লাংখিবনি। আই সী এ আর - কে ভি কে চুড়চান্দপুরগী হেদ অমসুং সিনিয়র সাইন্টিষ্ট ডা. নিরঞ্জন লালনা প্রোগ্রাম অদুদা লমজিং লমতাকখি। চুড়চান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা ভিলেজশিংগী পুন্না সীত্রস হৈ থাবা লৌমী ৫২ না প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখি। গার্দেনিংদা শীজিন্নবা কাতি, ওর্গানিক তীলহাৎ-হীদাকনচিংবা ইনপুট সপোর্ট সিষ্টেম্না লৌমীশিংবু কান্নবা ফংহনখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা ডা. আই পি সিংহ, প্রিন্সিপাল সাইন্টিষ্ট আই সী এ আর - সী সী আর আই, নাগপুরনা মান্দরিনদা ভীতামিন সী মরাং কায়না য়াওই হায়না ফোঙদোক্লদুনা শেন্থোক হেনগৎনবা খাসি মান্দরিনগী লায়না চেন্দবা ক্বালিটি লৈবা নর্সরি মেটরিএলস পুথোক্লবা অপিল তৌখি।

[illegible]/SPORTS/LITERARY MEET

Irengband Upper Primary School, Irengband গী হৌখিবা ওক্তোবরগী তাং ৮ অমসুং ৯, ২০১৮ দা নুমিৎ নীনি চুপ্পা Annual Sports Meet অমদি ঙসি তাং ১১-১০-২০১৮ দা Literary Meet পাঙথোকখি। হায়রিবা Sports অমদি Literary Meet অসি L. Ibemcha Devi, Member, K. Garbian Singh, Member, Y. Achouba Singh, ZEO/ Kakching অমদি Shri Rakesh Singh, A.I. শিংগী মীৎয়েং মখাদা হৌদোকখি।

Sd/- M. Roma Devi
Head Mistress
Irengband Upper Primary School

HL-B/4915/12

ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি । এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শৎতনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফন্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি উনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Regd. No. 4277 of 82 April
DR. N. IBOHAL MEITEI,
State & National Awardee

Phone No. 9612225582

HL-B/4868/20/9-19/10

[illegible]

JAWAHARLAL NEHRU MANIPUR DANCE ACADEMY, IMPHAL

(A constituent unit of Sangeet Natak Akademi, New Delhi)

FESTIVAL OF RAAS LEELA

on the occasion of

220th Death Anniversary of Rajarshi Bhagyachandra

October 12 - 14 & 16 - 17, 2018 at 2.00 p.m. daily

at Radhamadhaba Mandap, Mayang Imphal Konchak, Imphal West

– All are Welcome –

HL-P/2265/12

[illegible]

BUMPER STOCK CLEARANCE SALE

1. OLD WHITE SHIRTS HALF & FULL (ALL SIZES) – ₹150 only
2. CHILDRENS ITEMS:- JEAN HALF PANT TOPS, SHIRTS LONG PANTS, FROCKS, MISC. MIX VARIETY – ₹150 only
3. GENTS SHIRTS FULL & HALF (STAINED & IND QUALITY) – ₹150 only
4. GENTS KURTA HALF & FULL (STAINED & IND QUALITY) – ₹150 only
5. GENTS TROUSERS MIX. VARIETY (WAIST 28 & 30 ONLY) – ₹200 only
6. UNIFORM PENNAFROCK'S & TROUSERS (OLD STOCK CLEARANCE) – ₹150 only
7. CHILDREN SOCKS MIX. SIZE & COL. (OLD STOCK CLEARANCE) – ₹10 only

"OFFER VALID TILL THE STOCK LAST"
HURRY ! SELECT THE BEST ONE FIRST

VENUE :-
BRIGHTWAYS
1ST FLOOR, OPP. PUNJAB & SIND BANK
DHARAMSHALA ROAD, IMPHAL-1

HL-B/4799/19/8-16/9(Alt)

ꯊꯥꯒꯠꯄ/থাগৎপা ফোঙদোকচরি, পাইলসকী ওজা অব্দুল হক, মহাকপু পুন্সি চুপ্পা কাওজরোই

চহী ২৫ পাইলস নাবদগী য়াম্না ৱানা খাংলকখি। হকচাংদা নুংঙাইতবশিংদি : খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ য়াওবা, চেকখাইরগা থুপ্পা, ফম্বদা য়াম্না নাবা, মরক-মরক্তা শৌজদা হাক্কৎচবা, চক-চক থিনবা, ব্রি-ব্রি চৎপা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, কুইনা চংবা, শৌজ মনুং-মপান্দা পোম্বা, মসিনা মরম ওইরগা অৱাবা খাংদুনা লাকখি। মমৈদা ৱাঙ্গোই ষ্টেট বেঙ্ক অৰাং (পাঙন লৈরক) তা লায়েংবিরিবা ওজা কবিরাজ অব্দুল হক কন্টেক নম্বর ঃ ৮৭৯৪৪২৯৬৮১ দা চত্তুনা তান্নজবদগী ওজাগী হিদাক চাবা অমদি তৈবা তৌজবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলস অমদি অৱাবশিং পুম্নমক মপুং ফানা ফজরে। মতম চুপ্পদা মীয়ামগী শেবা তৌবা ঙম্বা ওইহনবীসনু হায়না মপুদা থৌনিজরি।

থাগৎচরিবা : T. IBOMCHA
Sherou Mayai Leikai

HL-P/5400/12

<< FRESHER AIRPORT JOBS - 2018 >>
International & Domestic Airlines
Vacancy For : -
1. Fresher Cabin Crew & Hostess
2. Ground Staff & Junior Assistant
3. Cargo Staff , Loader & Driver
Eligibility : 10TH ,12TH ,Graduation
Scale of Pay : Rs.12,500- Rs.48,000 Per M.
Job Location : Mumbai , Gandhinagar, Bhopal & North East States of India.

INTERNATIONAL MERCHENT NAVY JOB
i . Deck Officer & DNS Cadet
ii. Short Term G.P Rating
iii. Ship Hostess For Female
iv. General Steward
Eligibility : X to Graduation.
Age :- 17 to 37 Years
Salary : Min Rs-42,000 Per Month

-FRONT OFFICE RECEPTIONIST JOB IN IMPHAL -
* Wanted Urgently Front Reception in Office of the Leima Job Imphal
No of Post :- 03 Married , Salary :- Rs-5000 to 12,500. Qua :- X/XII

<<< SMS PART/FULL TIME JOB AT HOME>>>
Post: SMS Worker Qua : VIII /X Above. Salary : Rs-8000 to Rs-10,200.

WANTED STAFF AGENT IN IMPHAL
Post : Staff Agent , Age : 18 to 36 Years, Qua : X above, Salary : Rs-8000-Rs12,200.

NAVY JOB IN INDIA
Post : i) Civilian Motor Driver ii) Guard Boys & iii) Radio Operator
Essential : Matriculation Pass or Equivalent. Age : 18 to 30 Years only
Pay Scale : Rs-25000-Rs-811,100

For Detail Pl Visit us at :-Leima Job Guideline Service.
Kwakeithel Bazar, Airport Road, Imphal . Helpline no :-8974975286

HL-B/4793/12/8-10/9(Alt.)

ꯊꯥꯒꯠꯄ/থবাক নাবা, থবক শুবা ঙমদবা, নোংম নোংমগী হকচাং পাঙ্গল শোন্থরকপা, শদৌ থোংবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, খোঙ খুৎ শিথবা, হকচাং চোকথবা ফহনবগীদমক ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু মপোকসিমগী কাওজররোই

ঐগী হকচাংদা মতম কয়াগী মমাংদগী অস্থমানা নাদুনা থবাক নাবা, থবক শুবা ঙমদবা, নোংম নোংমগী হকচাং পাঙ্গল শোন্থরকপা, শদৌ থোংবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, খোঙ খুৎ শিথবা, হকচাং চোকথবা, লোক কংখু খুবা লোইরগা মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, তুম্বদা শ্বর ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, শ্বর চনিং তানা হোনবা ঙমদবা, খ্বাঙ নাবা, শিংলি নাওরি শোন্থরকপা, তাং তাং চিকপা, কোক ঙাওবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, চুরুট থকপা য়াদবা, থবক শুরগনা থবাক নাবা অমদি খেবা হেনবা, ইথন্তা চৎপা থোকপা ফাওবা ঙমশিল্লক্তবা তৌরম্বশিং অদু MV AZAD PHUSAM ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Bazar (Wednesday & Saturday open)

থাগৎচরিবী : A. NILAMANI
Changangei Awang Leikai

HL-P/5463/12

ꯊꯥꯒꯠꯄ/অমাঙথোং অকোয়বদা মরু-মরু পোল্লগা নাই চাবা অদুগা খোঙ হাম্বদা য়াম্না নাবা, অমাঙথোং মনুংদা চাথৎলগা ঈ তারকপা ফহনবগী ওজা সহিদুর রহমনবু হন্না হন্না থাগৎচরি

ঐগা হকচাংদা মতম শাংনা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা ঈ তাবা হেনমনদুনা অমাঙথোং অকোয়বদা য়াম্না চাওথোকপা, অমাঙথোং অকোয়বদা মরু-মরু থোক্লগা নাই চাবা অদুগা খোঙ হাম্বদা য়াম্না নাবা, অমাঙথোং মনুংদা চাথৎলগা ঈ তারকপা, নোংমনা খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওরকপা, ঈ থোকমনদুনা হকচাং কংশিল্লকপা, হকচাং মচেৎ-মচেৎ নাবা, খোঙ হাম্বা লোয়রগা মরেং মরেং চৎপা তৌরম্বা অদু MK Sahidur Rahman Makakmayum ☎ 8310735055/9612725989 দা মতম খরা চৎতুনা য়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা সহিদুর রহমনবু পুন্সি চুপ্পগী ওইনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না হন্না হন্না পাউচেগী থোংদা থাগৎচরি।

লায়েংজরিবা মফমশিং :
1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba, 6 a.m. to 9.30 am.
2. Sangai Bazar M/S Gambhir Enterprises, Takhellambam Konjil (Hiyangthang) 10 a.m. to 5 pm.
3. Pallel Bazar, Kakching District.

থাগৎচরিবা : IBOHAL
Kairang

HL-P/5432/12

2ND STATE LEVEL TALENT SEARCH
SCHOLARSHIP COMPETITIVE EXAM 2018 (CLASS I TO X CLASSWISE)
ORGANISED BY: EDUCITY
Sagolband Tera Tongbram Leikai Near Oriental College Imphal-795001

PRIZE:
1st /2nd/3rd Position holdr of each Class will be awarded with scholarship.
1st Position - 1000 x 12 months + Certificate
2nd Position - 700 x 12 months + Certificate
3rd Position - 500 x 12 months + Certificate
4th to 10th Position - Special Gift + Certificate
Subject Toppers (4 Subject Separately) 1000 each + Certificate

Submission Fee Rs. 300/-
Last Date of Submission: 23rd October
Class I to V Sub : Math, Eng, Sc.
Class VI to X Sub : Math, Eng, Sc. S.Sc.
Date of Exam: 28th October (Sunday)
Timing : 8:30 to 10:30 (I-X)

Class I - V	Marks F.M.	P.M.
Math	40	20
English	30	15
Science	30	15

Class VI - X	Marks F.M.	P.M.
Math	40	20
English	20	10
Science	20	10
S.Science	20	10

* Forms are available at all the leading book stores and schools of Manipur.

1. Sirai Paper Mart - Singjamei Bazar & Kwakeithel 2. Chanura Photo - Kakwa Bazar 3. Heemabala Book Store - Canchipur 4. Universal Book Store - Lilong Bazar 5. K. B. Stationery - Wangjing Bazar 6. Mangal Stationery - Kakching Bazar 7. PP Collection & Stationery - Kakching Bazar 8. Echan Stationery - Wabagai Lamkhai 9. Baby Book Store - Mayang Imphal 9. M/s Computer - Thongkhong Laxmi Bazar 10. New Book Store - Wangoi Bazar 11. M/s. Rakesh Book Store - Wangoi Bazar 12. Sangai Book Store - Samurou Bazar 13. Lily Book Store - Oinam Bazar 14. I.K. Book Store & Xerox Point - Bishnupur Bazar 16. Tamo Photo Studio - Ningthoukhong Bazar 17. Romee Book Store - Moirang Lamkhai 18. Ibeyaima Gallery - Moirang Bazar 19. Leima Book Store - Nambol Bazar 20. C.I. Book Store - Nambol Bazar 21. Sharma Distributor - Yairipok Bazar 22. Yai Bros - Yairipok Bazar 23. Habib Stationery - Yairipok Azad Galai 24. Hee Yai Enterprises - Sangakpham 25. Phijam Stationery - Chingmeirong Khongnang Ani Karak 26. Leirik Stationery - Khumbaung Bazar 27. L.K. Book Store - Lamlong Bazar 28. Compact Service - Khoyathong 29. Taurus Stationery & Grand Paper Mart - RIMS Gate, 30. Shila Book Store, Thoubal Bazar, 31. Amar Book Store, Khangabok Bazar, 32. Eikhoigi Enterprises - Kwakeithel Bazar

Please Contact: 9612194500 / 8794386523

HL-P/3633/14/9-15/10

DELTA Tutorials
Kwakeithel Bazar, Imphal
The Largest & Trusted Coaching Centre for both Sc. and Arts in Manipur
BOSEM
COHSEM
CBSE

ADMISSION OPEN
REVISION Course

Class X CBSE
From 24th October, 2018

Class XII CBSE
From 24th October, 2018

Class XII COHSEM
From 24th October, 2018

Class Timing
4:30 - 7:30 pm
Hostel Available

Complete Study Materials
Monitor with CCTVs
Wi-fi campus, Smart class
Experienced Faculties
Regular Test Series

Sure Shot Question Analysis
Van Service available

HL-B/4895/2/10-1/11